ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুলাই ১৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১০৮শুবা মশীং

# বি এস এন এলগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম

## ইমপ্লোয়ীশিংদা থা ৬ হেন্না তোলোপ পীবা ঙম্লত্তবা

মতম অমদা শেন্দোং খ্বাইদগী ফংবা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং (পি এস য়ু) ওইরম্বা ভারত সঞ্চার নিগম লিমিটেদ (বি এস এন এল)গী ফীভম কা-হেন্না শোকচিল্লকপগা লোয়ননা ইমপ্লোয়ীশিংদা থা ৬ হেন্না তোলোপ পীবা ঙমদবগী ফীভমদা লাক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা ইমপ্লোয়ী অমসুং কন্ট্রেকচ্যুয়ল ৱর্করশিংনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা কোর্পোরেট ওফিস অমদি হেদক্বার্টর পূন্নমক্তা ৱাকৎ মীফম ফম্নবা থৌরাং লৌখৎলি। বি এস এন এল ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন (বি এস এন এল ঈ য়ু) অমসুং বি এস এন এল কেজ্যুয়ল কন্ট্রেক্ট ৱর্করস ফেদরেসন (বি এস এন এল সী সী দব্লিয়ু এফ)না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা ঙসি জুলাই ১৬ তা লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। চাং নাইনা তোলোপ ফংলবা ফাওবা ইমুংগী মকুপ-মতা পুবা কোন্নরক্ত্রবা মতমসিদা থা তরুক হেন্না তোলোপ ফংলক্তবদগী অৱা-মৈচাক খাঙবা ঙম্লক্ত্রবা ইমপ্লোয়ী মঙা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মশা-মথনতা শিজবা লৈখ্রে। অমুক্কা হেন্না লাইবক থীবদি বি এস এন এলগী চাদিং হন্থহন্নবগী পান্দমদা মেনেজমেন্টনা কন্ট্রেকচ্যুয়ল ৱর্কর চাদা ৩০ রোম থবক লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌরক্লিবসিনি। শেন্দোং হেন্না তান্দুনা হান্নগী মতৌগুম মাঙজিল থাবা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অমা ওইহন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা মেনেজমেন্টনা ইমপ্লোয়ী মশীং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি লাইবক থীবনি হায়না লৌনরি। কন্ট্রেকচ্যুয়ল ৱর্করশিংনা মশাগী চহী ৬০ শুবা ফাওবা থবক তৌবা য়াহল্লম্লবসু হৌজিক্তি চহী ৫৮দা হন্থহনখ্রে। সেন্টরদা মথং-মথং পাল্লকখিবা গভর্ণমেন্টনা থৌশিল শোয়বদগী পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অসি ফীভম শোকচিল্লকপনি হায়না বি এস এন এল ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি স্বপন চক্রবর্তিনা ফোঙদোক্লি। কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এলাইয়েন্স অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্সনা অশোয়বা থৌশিল লৌখৎত্রিঙৈদা কুমজা ২০০০ দগী কুমজা ২০০৯ ফাওবা বি এস এন এলনা চহী খূদিংগী লুপা ক্রোর ১০,০০০ শেন্দোং তানবা ঙম্লম্মী। মতমদুদদি ইমপ্লোয়ী মশীংসু অসুক্কী মতীক য়াল্লম্বনি। অদুনদি ইমপ্লোয়ী মশীং হন্থহনবনা পি এস য়ু অসিগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লোই হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা য়ারে। হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা বি এস এন এলগী অপূনবা ইমপ্লোয়ী লাখ ১.৬৮না পি এস য়ু অসি নৌনা অমুক হিংগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না লৈঙাক্কী মফমদা তকশিল্লি।

শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরবসু বি এস এন এলগী এরিয়া ওফ ওপরেসন পাকথোকহনবা ঙমখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৭-১৮দা কষ্টমর মশীং চাদা ১১.৫ হেনগৎলকখি। মতমদুদা প্রাইভেট ওপরেটরশিং, মরু ওইনা এয়রটেলগী কষ্টমর চাদা ৯.৫, বোদাফোনগী চাদা ৩.৮ অমসুং আইদিয়াগীনা চাদা ৩.২ হেনগৎলকখি। ইখঙ-খঙহৌদনা রিলাইয়েন্স জিওনা মমল কা হেন্না হোঙনা মোবাইল ইন্টর্নেট অমসুং কোল সর্ভিসকী খূদোংচাবা ফংহল্লকপদগী বি এস এন এল য়াওনা অতৈ অতোপ্পা সর্ভিস প্রোভাইদর পূন্নমক্তা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকখি। মতমদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা বি এস এন এলগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা রিলাইয়েন্স জিওদা ওইনা মতেং পাংশিনখি হায়না মরাল শীরি। হীরম অসিগী মতাংদা বি এস এন এল ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ননা হায়, সেন্টরদা মথং-মথং পানখিবা লৈঙাক্লা বি এস এন এল মুৎথৎলগে হায়বগী মওংদা কুমজা ১৯৯৫দগী হৌনা প্রাইভেট ওপরেটরশিংদা মোবাইল সর্ভিস তৌনবগী লাইসেন্স পীখি। বি এস এন এলদি কুমজা ২০০২ খক্তদা লাইসেন্স ফংখিবনি। মসিগীসু মথক্তা প্রাইভেট ওপরেটরশিংনা চহী মঙাগী মমাঙদা ফোর-জি সর্ভিস হৌনবগী খূদোংচাবা ফংখি। লৈঙাক্লা প্রাইভেট ওপরেটরশিংদা ফোর-জি স্পেক্ট্রমগী খূদোংচাবা হান্না পীরিবসি বি এস এন এল মুৎথৎলগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দনি হায়না বি এস এন এল ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী চক্রবর্তিনা ফোঙদোকখি। শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরবা বি এস এন এলনা ফীভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা লোন লৌনবগী খূদোংচাবা ফংহনবীয়ু হায়জখিবদা দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসন (দি ও টি)না অয়াবা পীখিদে। কুমজা ২০০০দা বি এস এন এল লিংখৎখিবা মতমদা পি এস য়ু অসিগী শেল-থুমগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খূদিংমক্তা মতেং পাংগনি হায়না মতমদুদা য়ুনিয়ন কোবিনেটনা ৱাশকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রে হায়না মরাল শীরি। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীবা ৱাৎপনা নোংমা-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লবা বি এস এন এলগী ইমপ্লোয়ী লাখ অমা হেনবনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৮দসু লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা নুমীৎ হুম্নি চুপ্পা খোঙজং চঙশিনখিবনি। কুমজা ২০১৬কী ওক্টোবরদা নুমীৎ মঙানি চুপ্পা ফোর-জি স্পেক্ট্রমগী ওক্সন লাউখিবা মতমদা এয়রটেল, রিলাইয়েন্স অমসুং আইদিয়াদা খূদোংচাবা পীরগা লৈঙাক্কী পি এস য়ু অমা ওইরিবা বি এস এন এলদা খূদোংচাবা পীখিদবনা পি এস য়ু অসিগী ফীভম নোংমা-নোংমগী শোকচিল্লকখিবনি হায়না থাজনরি। প্রাইভেট সর্ভিস প্রোভাইদরশিং য়োকখৎপদা থোইদোক্না অকায়বা লৈতে। অদুম ওইনমক বি এস এন এলগী ফীভম শোকচিল্লকপা অমসুং ইমপ্লোয়ীশিং থা ৬ হেন্না তোলোপ ফংলক্ত্রিবসিগী মতাংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকফম থোকপ্রা হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০

১। ‘কোন্থৌজম য়ূমফম’ মণিপুরী পুৱারীদা চাউনা মফম কল্লিবা অমনি। হৌজিক রাজ্যপালনা লৈরিবা মফম অসিনি। মফম অসিদনি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা ইহান হান্না কাঞ্চিপুরদগী হোঙ্গৎলকখিবসু। খ্বাই খুনফমসু কৌই।
(ক) মৈদিংঙু অসিনা হোঙ্গৎলকপদু শক কয়াদনো?
(খ) শক কয়াদনা মফমসিদা হোঙ্গৎলক্লবা লৈবাক শূবা হৌখিবগে?

২। “চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।” ৱাফম অসি কনানা হায়রম্বনো?

৩। “ঐগী ইচে, ঐগী শকয়েং মিংশেলনি। ...ঐগী ইচেদি পোকখায়গদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবা বোমনি।” ৱাফম অসিমনা কনানা হায়বনো?

৪। “হৌজিকপু তূম্বা মতমলা ইতা/ময়াং ক্বাক্লা লাক্লা খোংলি/মীনাই য়োহ্লিং কক্কনি চৎখিবা/নথংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।” ৱাফম অসিনা অইবী কনানা হায়রিবনো?

৫। “নোক্কনবী নঙনা নোকখিদ্রবদা/নোকশিরা ঐবু কপশিরা?” ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৯গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবীরকখিবদি

১) *তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়* (৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯৯গী ৱিন্নর

*তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ৯৯গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জুলাই ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৯গী পাউখুম

১। মৈতৈ পুৱারীদা মৈতৈলৈমা পাইখু লান্থবী, গোমতী মহারাণীগী ৱারী কান্দুনা চৎপা খক য়াররোই। মহাক কনাসু নত্তে, ইরোম থম্বালনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লৌখিবনি।
(ক) ইরোম থম্বাল কৈয়ূম নিংঙোলনো? ***:- ৱায়েনবম চনু।***
(খ) মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা উমংলাই ময়াম খোমগৎলগা ফুমখিবা মফমদু কদায়দনো?
***:- মোংবহনবা, মহাবলী উমংদা।***

২। “মী শিবা খুদিংমক মী হাৎপগী থবক ওইদে/চুম্না ফনবা তৌবদগী শোয়খিবা কয়া মীহাৎপগী থৌদৌগী মনুং চন্দে।” ৱাফমসি ঐখোয়গী উপন্যাসকার, হিজম গুণনা উপন্যাস অমদা হায়বনি। উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু। ***:- ‘লমন’।***

৩। “লৈরাংবী/লেংশিল্লি নহাক্কী থোৎলবা নখূৎনা/পুন্সি কয়াবু মতমগী লংজাশিংদা।” পরেং অহুম অসিনা কবি ক্ষেত্রি রাজেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। ***:- ‘লৈরাংবী’।***

৪। “নোংদোন্দা শীৎপা তিল মায়দা তাই হায়বদু হেক থোক্লেকো।” ৱাফমসিনা ‘থাজরুবনা’ কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অসিগী ‘থম্মোয়গী লংলা’ কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে। মহাক অদু কনানো? ***:- য়েংখোম ইন্দিরা।***

৫। “ফাইরেল থাগী অপাইবা লৈচিনগুম/হল্লক্লে নখোয়গী থৱায় মিরেন্না/লোইবী চীংদা চাত্তাখিবা ইবুংশিং।” পরেং অহুম অসিনা মচল ওইবীশিংনা নীংতম্বা লৌবা চৎখিবা মবুংশিংবু কৌজবনি। ‘কৌরি মমানা মচাশিংবু’ কৌবা ঈশৈ লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?
***:- অরুনকুমার নোংমাইথেম।***

# ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেটতা ইন্দিয়াগী ফীভম!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৫৯

জিতেন নামৈরাকপম

মী য়াম্না তিনবা খ্বাইদগী নুংঙাইরবা কুম্মৈ অমা ওইগনি। ঐনা ঙসি চাউরবা ষ্টেদিয়ম অমগী মনুংদা মীয়াম মরক্তা লিৎ-লিৎতুনা চঙশিল্লক্লিবা অসি। মীরক খায়-খায়দুনা গেলরি মথক্তা কাখৎতুনা ফম্লে। ওন্থোক্লা য়ামখ্রবা মীৎয়েংলোইশিংনা কৃক-কৃক ইন্নদুনা ফম্লি। নুংঙাইরবা জগোয়, ঈশৈ নৎত্রগা অফাওবা শক্লাইরবা মীওইশিং থোরক্তুনা য়ামখ্রবা মীয়াম্বু শোয়দনা মপূক্লিং পেলহনগনি খল্লি। ফনদি কুইরে ময়াম্না ফমদুনা ঙাইরক্লিবসি। অদুবু কনাসু থোরক্তে। পাকখ্রবা লম্পাক্তুদা মখোয় ১২/১৩গুম্বদি থোরক্লগা চায়থোক্তুনা লেপ্পা উরে। অঙৌবা ফিজোল ঙাক্তা শেৎলি। ইকুই কুইদনা মীওই অনী অমুক থোরক্লে। অনীসিগী ফিজোলসিদি মতা অমনি। এক্সিদেন্ট থোক্লুবদগী ৱাচপ থাবদৌনা মখোঙদু মখুউ অনী য়ৌনা ঙৌরোক ঙৌবা ৱাচপনা পুল্লগা থোরকপনি। খাঙ তুপী অমমমসু উপ্পী। মখূৎশিংদুসু গ্লোব উপ্লদুনা লৈয়ে অমমমসু পায়রক্লি। ময়ামদু পঙলাংদা লাংই। জগোয় শাবও, ধোন থিনবও, খোংবও, পূম্নিল নিল্লি।

থোরক্লিবা নুপা অনী অদু চৈতেক অহুম/অহুম য়ুংলিবা মমাঙ মমাঙদুদা লেপখ্রে। হান্নানা চায়থোক্তুনা লৈরম্বশিং অদুগী মরক্তগী অমনা কৈনো মতুম তাবা অমা পায়রগা চঙলকই অদুগা তুপী অফনবা খোঙগ্রাউ অমুবা শেৎপা চৈতেক অহুম য়ুংলিবা মফমদুদা লেপ্লম্বা নুপা অমদা মানা লিৎলকপা জর্সি অমা লৌথোক্তুনা পীশিল্লি। ফুরিৎতু মাগী ওইগী মখূৎতা য়ানখ্রে। ত্রাফিক পুলিসকী টাইপতা মখূৎ য়েৎনা হাই খোৎতুনা তৌই। মানা সাইন অমা তৌরকপদগী ঙসাইগী ফুরিৎ য়ানশিল্লম্বা নুপাদুনা খরা হন্দোক্তুনা চেল্লগা মানা পায়রকপা মতুম অদু লংই। বোল ওইরমাল্লে। এক্সিদেন্ট থোক্লুবা মানবা মাগী ওপোজিৎতা লেপ্পা নুপা অদুবু হাৎতোক্লগে খল্লগা লংবা মাল্লি। নুপা অদুনা ঙমজবী থাদুনা মানা পায়বা লৈয়ৈদুনা বোলদু কল্লি। লম্পাক্তা লেপ্লিবশিং অদুনা বোলদু ফাগদবগী কোয়তান তান্নে। মীৎয়েংলোইশিংনা পংহাদা হরাউই। পঙলাংদা লাংই। শুমায় তৌদুনা, পংহুন্দা হুল্লি, পংথোমদা থোমই। কোয়চেন চেন্নে বোলদু তান্নবা! নুংশানগা য়াল্লকপনে। করিনুংগী হায়বদু য়ৌরে। অমিটাব বচ্চন, ধরমেন্দ্র হেমামালিনি, মধুরি দিক্সিট হোয় থোরক্কদ্রা খল্লুরগা সি ওইরেকো ক্রিকেট কুম্মৈ হায়বদু।

তমজরিবা পাউদম অসি মপুন্সিদা ক্রিকেট করিনো খঙদবা মীওই অমনা ক্রিকেট য়েংবগী কম্মেন্টরি পীবগী ৱারীনি। ক্রিকেট মশান্না অসি কুমজা ১৩০০গী মতমদা কিং ইদৱার্দ অমগী মতমদা ইরম্বা একাউন্টকী ‘ক্রীগ’ (Creag) হায়রগা খঙনবা বেটকা বোলগা থোমদুনা শান্নবা প্রিন্স ইদৱার্দনা মী খরগা শেল খরা চাদিং তৌথোকপগী শান্নবা মশান্না অমদগী হৌরকখিবনি হায়রি। কুমজা ১৫৫০দদি সুরিগী গুইলফোর্দ স্কুলগী নুপামচাশিংনা অমুক শান্নরকখি। ইংলেন্দগী লোর্দ প্রোটেক্টর অসি ক্রিকেটসু, ফুটবোলসু মশান্না অনীমক থৱায় য়াওনা শান্নখিবা, নহা ওইরিঙৈদগী হর্টফোরশিয়রগী সেন্ট আলবানসতা কুমজা ১৬৬৬তা ক্রিকেট ক্লব অমসু লীংখৎলম্মী হায়রি। অদুবু ইহান হানবা রিগুলর ক্রিকেট ক্লবতি কুমজা ১৭৫০দা হম্বেলদনগী হেম্পশিয়র ভিলেজদা শেল্লম্মী। মশান্না অমা লৈবা তারবদি মদুগী চৎন-কাঙলোন লৈবা তাবনি। তরানিপালশুবা সেঞ্চুরি হৌরকপদগীদি রিকগনাইজ তৌরবা রুল অমগী মখাদা ক্রিকেট শান্নবা হৌরকখ্রে। কুমজা ১৬৭৯দবুদি সুস্সেক্সতা নাকল অমমমদা প্লেয়র ১১/১১ লৈরগা শান্নবা হৌরকখ্রে। অদুগা ইহান হানবা কাঙলোন চুম্না মশান্না অসি শান্নখিবা মেচতি কুমজা ১৭১৯দা লণ্ডনরশিংগা কেন্টিশমেনশিংগা শান্নবা অদুনা ওইখি। ক্রিকেট মশান্না ইহান হানবা হৌদোকখিবদি ইংলেন্দ ওইবনা বৃটিশরশিংনা লোয়লম লৈঙাকপা মালেমগী মফমশিংদা মথং মথং শন্দোরক্তুনা ইন্দিয়া য়ৌরকপদগী ইন্দিয়নশিংসু ঙসিদি ক্রিকেটতা ঙাওনরিবসিনি। মেরিলেবোন ক্রিকেট ক্লবনা কুমজা ১৭৮৭তা লীংখৎখিদুনা মশান্না অসিগী রুলিং ওথোরিটি ওইদুনা লাকখি। হৌজিক্তি ৱর্ল্ড কপকী বোদি লীংখৎতুনা ক্রিকেট মশান্নদা অথোই অহেন তানদুনা শান্নরি।

হন্দক্কী কুমজা ২০১৯গী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট য়ূম্বু ওইদুনা শান্নজবা ইংলেন্দ পুৱারীদা অহানবা ওইনা ন্যু জিলেন্দবু থোইদুনা মমল য়াম্লবা কপ অদু লৌখ্রে। টিম অনী অসি ফাইনেলদা কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নরবসু ইংলেন্দনা ঙমদুনা অদুম লৌহৌরে। য়ূম্বু ইংলেন্দ হরাউবগী ঙমখৈ লৈখিদে। হৌজিকসু হরাউ মথোই কাবগী লাংবা খোৎপা লেপত্রি। ন্যু জিলেন্দনা নীংবা কায়হৌরে। মসিনি অনী শান্নরবদি অমনা কাবা অমনা পোবা হৌনশানি।

হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট ২০১৯দা ইন্দিয়াগী ফীভমনা কমদৌহৌবা! নীংবা কায়না সেমী ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগী খূৎতা পোদুনা ফি য়োমদুনা হল্লকখ্রে। ভিরাট কোহলি, রাহুল, রোহিট, ধোনি, বুমরা করি করা জোক্কর তারগা হল্লকখ্রে। কম্মেন্টরি পীরিবা ময়াম্না থাগৎপদা থাগৎপদা অমুকতোইবা মহানি। সেঞ্চুরি অদুক য়ৈখ্রে, রেকোর্দ থুগাইখ্রে, ফোর, সিক্স অদুক লৌখ্রে, ৱিকেট ৫ লৌথখ্রে হায়বগী থাগৎ ৱাহৈতনা স্পোর্টস চেন্নেলশিংদা পুমচায় চায়-খ। থাগৎপদা লাই মচা তারকপদৌনা হরাউমনবদগী ইন্দিয়া পোব ওইরমগদ্রা খল্লি ঐদি। কেকতা লোইবা ক্রিকেটনি হায়নরিবনি। শোমদনা অমুক অফাওবা শেল য়াম্না পায়বা ইন্দিয়ন প্লেয়রশিং মশক ফজ-ফজখ্রবা কোয়নবা ফিল্ম ষ্টার, মোদেল, মিস ময়ামসি মীৎয়েংলোইশিংগী মরক্তগী উৎনবা হোৎনবতদা কেমেরামেনশিংগী মথৌ য়াম্না চিন্নখি। ক্রিকেটতা ঙাওজবা ইন্দিয়া লোংনা হাইথখ্রে। কাপিল দেবকী মতম কুমজা ১৯৯১, ধোনিগী কেপ্তেনশিপকী মতম কুমজা ২০১১দা ৱর্ল্ড কপ অনীরক লৌবা ঙম্বা নত্তনা অহুল্লকশুবদি ঙমহৌদ্রে। হেনবদি খরা হেনমনবনি। রেদিও ফাওবা নুংঙাইবা প্রোগ্রাম অমত্তা তাবা ফংখিদে। ক্রিকেটকী লাউবতদা গলা তৎনখি। ●

# মশানা থাকচবা লাংদা মশা থুজবনি -২

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

মীওইবনা তাইবঙপানসিদা লৈরিবা অহিংবা থৱায় পানবা পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না শিংবা অমদি ৱাখল খনবা ঙম্বা অমনি হায়না লৌনরিবনি। অদুবু মী অমগা অতোপ্পা অমগা হীরম অমদা মান্নবা খরা মান্নদবা খরা লৈবা য়াই। চপ হেক মান্নবা হায়বসিদি লৈরমগদবা মান্দে। খরা চাং ৱাংনা মান্নবা য়াওরম্বদি য়াই। পাক শন্না থিরুদ্রবসু মান্নবা মান্নদবা হায়বগী ময়েক লারবা খুদমদি মমা মপা অমত্তনা পোকপা মচাশিং ফাওবা কুচু, ৱাং চাউবা, মশক, হৈ শিংবা মান্নদবনা অয়াম্বনি। অসিগুম্বা মান্নদবা মরম ময়াম অমনা মরম ওইরগা মী অমনা খনবা ৱা-খলগা অতোপ্পা অমনা খনবা ৱাখলগা খেন্নবা মশানা তাবনি। শেন্নীবা মপুনা খুদোল ওইনা মীওইবশিংদা পীবিরকপা ৱাখল-লৌশিংগা লোয়ননা মশা মশাগী হোৎনজমনগা অনীগী অপূনবা থৌওংদগী অফবা তৌনীংবা, ফত্তবা তৌনীংবা মীওইশিংসু অদুম য়াওই হায়বসিসু ঙসিগী মালেমগী খুন্নাইশিংদা অদুম খঙনৈ।

খুন্নাইদা শিনফম্না মরু ওইনা অনেম অৱাং খায়বদা, মীওইবগী লমচৎ, হৈনবী লোনচৎ/শাজৎকা মরী লৈনদবসু য়াই। অফবা অৱাংবা শিনফম তৌবা মী লমচৎ অমদি মশাগী হৈনবী শাজৎতদি থাক নেম্বা য়াই। মশাগী অৱাংবা থাক্লা মরম ওইরগা মঙোন্দা (মীশক্তুদা) ইকায়-খুম্নবা মতম খরদি পীরম্বা য়াই। অদুবু মদু তুং কোয়নদি চৎলোই। মসিগী ময়েক লারবা খুদমশিং ওইবা য়াবদি - অকক্লবা মমিং-মথা, লৈবাক্কী ফম অৱাংবা পন্দ্রবসু - অয়াম্বনা নুপীগা মরী লৈনবা ৱাথোক অমা নৎত্রগা অমদা চেন্নবগী পাউ লমদুদা ফোঙবা পাউচেশিং অমদি মীরমগী পাউচেশিংদসু ফোঙনবা কয়া লৈখিবদুনি। মতাং অসিদা পনবা য়াবদি মী অচৌবগা মী মচাগা মুক্লবদা মচানা চুল্লবসু করিনোমা তৌরগা মচাদু মচিন মেনবা নৎত্রগা করিনোমা তৌশিল্লগা খূজ্রু মুজ্রুদা খুন্নাইদা ৱাথোক ওইগদবা কয়া লোৎশিল্লগা তোকখিবনা অয়াম্বনি। য়াম্না তঙাইফদবা হায়বদি কন্নবদা খরা খুদোংচারোইদবা ওইরগনা পায়রম্বা ফমদুদগী লৌথোকপা/মশানা তোকচবা তাহনবা থোক্তবা নত্তে হায়বসিসু খুন্নাইদা লাইরিক হৈবা মখৈ লোয়না খঙনরিবা মক্তনি। মশানা পায়রম্বা ওইরম্বা ফমগী মতিক মঙম (পৱার) শীজিন্নরগা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা লন-থুম লেপশিনখিবা য়াওখিবদু পিবা ফম নত্তবনিনা মতম অমদদি ফম তাবা/থবক্তগী পোত্থাবা হায়বা অমদি লৈনবনা, মতমদুদা অঙম্বা অমনা/য়েংশিন্নবা/য়েংথিনবা অমনা অমুক লোংউপ তাল্লকপা মতমদা ৱায়েলশঙগী চৈরাক ফংবা, থাক য়াম্না ৱাংবা চাংদা হায়বদি লৈবাক অমগী মনুংদা অচৌবা মীহাৎ-মীপূন থোকহনখিবগী, লৈবাক ঈরাং থোকহল্লগা লৈঙাক পায়নবা অরোনবা লাল্লোং শিনখিবগী অচৌবা শেঞ্জা থুমজা তৌখিবগীদমক । খুদম খরা ওইনা পল্লবদা, কৈশুমশঙদা লৈরগা থবক শূবগী চৈরাকসু ফংবা, তঙাইফদবা ফীভম ওইরগনা থৌরি য়াল্লগা হাৎপা/নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎহনবা - লৈবাক লৈবাক্কী চৎনরোলগী মতুং ইন্না মালেমগী খুন্নাইশিংদা অদুম থোকপগী পাউ তানরি। শম্না হায়রবদা, অফবা থবক তৌবগী অফবা মনা/ইকায়খুম্নবা ফংবদি ‘মশানা অফবা তৌজমনগী অফবা মহয়/পোথোক ফংজবনি।” মসি নত্তবা অতৈগীনা ‘মশানা থাকচবা লাংদা মশা থুজবা’ হায়বসিনি।

লৌশিং লৈবা মীওইবনা লাইনীং লাইশোন অমদা চেৎনা থাজরবদি মশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙনীংঙাই ওইগদবা থবক থৌওংশিং তৌফম থোক্তে। অদুবু করম্বা মীওইনা ফত্তবা থবকনি হায়না খনবা য়াবসি তৌবা তৌদবা হায়বগী মতাংদদি ইমান মান্নবগুম তৌবনা খুন্নাইগী মীওইশিং মালেমগী ওইনা য়েংবদা ইমান মান্নে। মান্নবা থাক্কী মীওইশিংনা মান্নবা থবকশিং তৌরগা খুন্নাইদা মীংচৎ থিনীংঙাই ওইবসি চাউরাক্লা মখাগী অসুম্না কাঙলূপ খায়দোকচগে। মখোয়শিংদুদি :-

১) লৈঙাক্লোয় ওইবা, লৈঙাক্কী ফম অচৌবা পায়বা মীওই খরা;

২) লৈঙাক্লোয় অমদি অঙম-অথৌ খরগা মীচং মীথোক ওইবা খরা;

৩) শিবা কিদবা মখোয় খরগী খূৎপু লৈজবা খরা;

৪) ৱাখল খন্থবা ঙমদবা ইচম চম্বা মীওই খরা, অসিনচিংবা।

১) লৈঙাক্লোয় ওইবা, লৈঙাক্কী ফম অচৌবা পায়বা মীওই খরা :

মখোয়শিংসি ভি ভি আই পিদগীনা ফম অচৌবা পায়বা মীওইশিংসিনা মখোয় মশানা মশক নাইবা অমমম ওইরিঙৈদা, মখোয়গা লোয়নবদি ওইবা অদুগা খুদোংচাবদি লৌনীংবদগী য়াগদ্রা হায়দুনা তৌরুবদু, য়ান্নরক্তবা মতাংদা মমাঙথক্তা তৌখিবা অরোন অথুপ ময়ামদু মীয়াম মমাঙদা ফোঙদোক্নরকপগী ইৱাই ইনিল নায়রকপা। মরুওইনা হায়রিবসি মরম অনীদা ওইগল্লি। অহানবনা, নুপী অঙাংদা চোপ্পা, থেল্লগা নৎত্রগা খুদোংচাবা খরা পীরগা নমশিন্দুনা থম্বা। মদুদা হকথেংননা মরম অমদা অৱাবা/ইকায় ফিরুক খুম্বা ওইরক্কদবা মতমদা হায়রুবদা মশক নায়বা নুপাশিংনা মশা নান্থোক্লবা হোৎনরকপদা অঙম তান্নরকপা। মদুগী মহয় ওইনা ফম থাদোকপা/ৱায়েলশঙদা অৱায় অখুম তৌনরকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অনীশুবদনা, পংয়া য়াগদ্রা হায়দনা মশানা অয়া-য়াদগী য়াথং তাওথবা ঙম্বা ওইরিঙৈদা নাকোয়ননা ওইরবসু শেঞ্জা থুমজাগী থবক তৌরুবদু, মরম অমদগী লান্না তৌখি হায়বগী অরোনবা পাউ নৎত্রগা খুদম চাংদম ওইবা য়াবা মরমশিং ফম তারবা মতমদা পুথোরকপদগী নান্থোকপা য়াদদনা কৈশুমশঙদা অৱাফম তাবা, শেলসু শিংগৎপা তাবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

২) লৈঙাক্লোয় অমদি অঙম অথৌ খরগা মীচং মীয়োক ওইবা খরা :

লৈঙাকপশিংগী মরক্তা অমদি তৌবা ঙম্বা ফম খরা চাউবা খরগা লোন্না মখোয় মশাগী কান্নগদবা অদুগা খুন্নাইগী অমদি মীচম মীয়ামগীদা অমাঙবা ওইবা য়াবা থৌরাং অমদি শেন্দোং চাউনা ফংবা য়াবা, ফত্তে হায়না খনবা থবক ময়াম অমা তৌবদা য়াম্না খূৎলিংবা মানবা মওংদা লৈঙাক্কী থৌমীশিং ফাওবা ইকায়খুম্নবা থম্বীদনা অরোনবা খূৎপু অমগী মওংদা ফোঙনা শিংনবগী থৌশিল ফাওবা ওইরকপা। মথৌ নিংথিনা চৎন-কাঙলোন চুম্না তৌজবা লৈঙাক্কী থৌমীশিংবু করিসু লৈতে হায়না লৌরক্তুনা অরোনবা অহোংবা শারকপা থৌওংশিং পনবা য়াই। লায়না শেল তানবা য়াবা মখল খুদিংমক - ঠিকা অমদি সপ্লাই, ময়াই কাবা পোৎলমশিং, শেন্দোংসু য়াম্না ফংবদা - ভোল্যুমসু হায়বদি ক্রোরনা খুজিং ওইরগা য়াম্না চাউনা করবার তৌবা। তৌরিবা অফোংবা অরোনবা থবকসি কনানা তৌবনো, লৈঙাক্কী নৎত্রগা মতিক ময়াই লৈবা করম্বা থাক্কী ফম্নাইবশিংগা লৌতুনরগা/মান্নরগা তৌবা থবকনো হায়বসিসু অদুম ইখঙ খঙনবা ওইবা। অদুনা খুন্নাইদা শেন্দোং চাউনা ফত্তবা মরমদা শেল তানবা ঙল্লিবসিনা তাক্লিবদি অৱাংবা থাক্কী মীচৎ মীথোক ওইবা/লৈবা মীওইনি হায়বসি ইখঙ খঙনবা পোৎনি।” হুরানবগী তরানি মপুগী নোংমা’ হায়বা ফীভমসি ওইরকপদা মমাঙথক্তা তৌ-খবশিংদুগী লংলা লংজিন চিংথোক্লিংঙাই ওইরকপশিং পনবা য়াই।

৩) শিবা কিদবা মখোয় খরগী খূৎপু লৈজবা খরা :

‘ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ওই’, ‘খোঙ চোৎলগা চিন চোৎলি’, ‘মতু মওং মান্নবা উচেকশিংনা পূন্না পাইমিন্নৈ/চাকতামিন্নৈ’ হায়বা পাউরৌশিং লৈবনা, মীওইবা খুন্নাইদা মখোয় মশাগী কান্নবা/ওইজবা ফংগনি খনবা মীওই খরদি লৈঙাক্লা য়াদে/মালেমগী খুন্নাইদা পামদে হায়বা ফত্তবা থৌওং কয়া চত্থবদা খোঙলোয় ওইমিন্নবা মীওই খূৎপু অদুম লৈনৈ। মখোয়শিংসিনা মফম অমদগী অতোপ্পা অমদা খুন্নাইদা মাঙনীংঙাই মশক ওইবা/লৈঙাক্লা য়াদে হায়দুনা অথিংবা থম্বা/কষ্টমগী মীৎয়েংদগী লোন্না লল্লোনবগী থবক থৌওংশিং তৌবা য়াদে হায়বসি থৌৱা ইশা শাদনা তৌনবা য়াওদবা নত্তে। মমল য়াম্বা লৈতেংগী পোৎলম খুদিংমক লৈঙাক্কী (লৈবাক লৈবাক্তুগী মতুং ইন্না লৈঙাক্কী অয়াবা (লাইসেন্স)/থিফম থোকপা টেক্স থিবা মীওই ওইদ্রবদি য়াদবসি খুজিন খুনাম্থোক্তগী অচৌবা তাঞ্জা অমা ওইবদগী/থোকপদগী অহিং অমদা ক্রোরগী শেঞ্জাও পায়বা ওইনীংবা লম মতেক মতেক্কী অরোনবা খূৎপু লৈনবা মীওই খরসু মালেমগী খুন্নাইদা লৈতবা নত্তে।

৪) ৱাখল খন্থবা ঙমদবা ইচম চম্বা মীওই খরা :

মখোয়শিংসি মরুওইনা মীদি ওইরগা শাগী শারমচৎকুম চৎপা অনেম্বা থাক্কী মীওইশিংনা অয়াম্বনি। খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা খুন্নাইদা ফত্তবগী থৌদোক থোকহল্লিবসি মখোয় অসিগুম্বা মীওই খরসিননি। মখোয়দদি ফবা ফত্তবা, য়াবা য়াদবা হায়বসি থোইনা খন্থদবা মীওইশিংনি। হায়বদি মখল অয়াম্বা খুন্নাইদা ফত্তে হায়বা থৌদোক মখৈ মখোয়না মরম ওইরগা থোকই। খুন্নাইগীদা অফবা থবক থৌওংগী মরমদা থোইনা খন্দনা, মশাগী অপাম্বা মদুসু য়াম্না হোঙবা মওংদা মশাবু অৱাফমদা তানবা শিঞ্জবদা হালেংদবা মীওইশিংনি। মখোয়না অফবা মীওই মরুওইনা নুপী অঙাংশিংগী পুন্সিগী মমল খঙদে। ঙহাক্কী শাগী ৱাখল চেল্লগা নুপী অঙাংশিংগী পুন্সিদা তেমশিংনবা থবক থৌওং কয়া তৌই। হুরান চিন্থিগী, মীনম শোরি তৌদুনা শেল তান্নবগী, নুপীমচা-নুপামচা-লৈশাবীমচাশিং ফাওবা মহৈ মশীন তমহনগনি, শেল য়াম্না ফংবা থবকশিং তৌহনগনি হায়বনচিংবা কয়া হায়জিন্দুনা থাজহল্লগা অতোপ্পা অথাপ্পা লমশিংদা পুরগা মমল লৌরগা অসিগুম্বা নুপীমচা, নুপামচা অমদি লৈশাবীমচাশিং ৱানা থবক শূহনবা, ওক্তশঙদা থমজিল্লগা শেল তালহনবা কয়া অমনি। শম্না হায়রবদা, মালেমগী সাইবর ক্রাইমশিংদা চেন্নরিবা মীওই অয়াম্বা মরিশুবা মখলগী মীওই খরসিনি। মালেমগী খুন্নাইদা লৈরিবা অসিগুম্বা মীওই খরসি মশাগী চহী ১৩দগী ৬০-৭০ হায়বগী ৱাফম লৈতে। হায়বদি থাজদবা অঙাং নুপামচাদগীনা অহল ফজনা ওইরবা ফাওবা মরুওইনা শুপ্নগী ‘নুপী’ শিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবদা চেন্নৈ।

খরা তাঙনা থোকপা লাইদা পাউথোংফম ওইবা থৌওং অমদি ‘মশানা লাইনি হায়জবা’ অমদি লাইগা মরী লৈনবা মাইবা, মীগী লায়েংবা অফবা শিনফম তৌবা ডোক্তরশিং খরসু নুপী অঙাংদা, লায়েংবা লাকপীদা নত্তবা লিচৎ চৎলুবগী মশানা থাকচবা লাংদা থুজখিবগী অশেংবা পাউ কয়া লৈখ্রে। শম্না, খুন্নাইদা নুপা ওইগেরা, নুপী ওইগেরা- ফত্তবা থবক থৌওং অমা তৌবদুনা মশানা লাং থাকচবা ওইরগা মদুগী অহকপা চৈরাক ফংবদুনা মশা থুজবা হায়বসি ওইদনবা ইশা ইশানা লাই অমবু থাজরগা ইশাগী ফত্তবা ৱাখল লিচৎ চুমথোকপা য়াম্নমক তঙাইফদ্রে হায়না থমজগে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।